ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, জন্যুৱারী ১৩, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৮২শুবা মশীং

# নুপীদা চথবা ক্রাইম
## থোরকহন্দনবা অকনবা থবক লৌখৎলু

মণিপুর পীকই, মীশিংসু য়ামদে। অদুবু নুপীদা চথবা মখল কয়াগী ক্রাইমদি মরাং কাইনা থোকই। মসিদগী ৱায়েলশঙশিংগী মনুং চল্লিবা জুদিসল মেজিস্টেট ফর্স্ট ক্লাস (জে এম এফ সী) দগীনা দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংগী মথক্তা হৌজিক্লা ষ্টেটসিগী তোঙানবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুর ফাওবা লৈজরকপগী মথক্তা নুপীদা চথবা ক্রাইমশিং খক্তগী ওইবা কেসশিংগী ৱায়েল চত্থনবা তোঙানবা 'ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন' গী কোর্ট ফাওবা লিংলিবনি। অদুবু নুপী ওইবীশিংদা চথবা মখল কয়াগী ক্রাইমশিংদি লেপ্তুনা অদুম্মক থোরকই। ক্রাইমশিংসিগী মরক্তা য়াম্না শাথীবা থৌদোকশিং ফাওবা য়াওশিল্লক্তুনা লৈবাক ৱাথোক ওইরকপসু য়াওই। থোরক্লিবা ক্রাইমশিং অসিগী মশীং য়াম্না থোকচিল্লকপনা মসিবু থোরকহল্লকপগী মরমশিং শোয়দনা লৈগনি। মরমশিং অদুগী মনুংদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিগী ভিক্টিম ওইরবী নুপীশিংগী মায়কৈদগীসু নুংশিৎ মায়রম লশিং কাপ্পগী থৌদৌ চথখিবসু শোয়দনা য়াওরমগনি। অদুবু মপূং ওইবদি মফম অমসুং মতমগী খুদোংচাবা তাঞ্জা ফংলে হায়দুনা নুপী ওইবশিংদা মখল কয়াগী ক্রাইম চথবদি চুমদে। ক্রাইম চথরিবা, কম্মিট তৌরিবা মীওইদুনা মহাক্না চথগদৌরিবা ক্রাইম অদুগী ভিক্টিম ওইহনগদৌরিবা নুপীদুসু মহাক্কুম্বা মীওইবনি, মাগীসু চপ চাবা মীওইবা অমগী ফংফম থোকপা রাইটশিং লৈরিবনি হায়বসি খঙগদবনি। অদুবু থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসি ক্রাইমনি হায়বা ৱাখল্লোনসি চেন্দবা অমসুং খঙদবদগী থোরকপনি। খঙনা খঙনা চথবসু য়াওরমগনি। ফীভমসি ওইরক্লগনা ক্রাইম তৌরক্লিবা মীওইদু য়াম্না শাথীবা ক্রিমিনেলনি হায়দুনা লৌগনি। মরম পূম্নমকশিং অসিনা নুপীদা চথবা ক্রাইম অমসুং ওফেন্স অমদা চথরম্লিবা ওফেন্দর অদুগী অহানবা থৌদোক ওইরগনা মহাক্না কম্মিট তৌরিবা থবক্তু ক্রাইমনি। ক্রাইম হায়বসি অমুক হন্না তৌরোইদবনি হায়বগী ৱাখল তাহনবগা লোয়ননা মতুং তৌরকহন্দবদা মতেং পাংননবা মরালগী মতুং ইনবা চৈরাকশিং পীগদবনি। অদুগা হেবিচ্যুএল ওফেন্দর ওইরক্লগা চপ চাবা লিগেল এক্সনশিং লৌখৎকদবনি।

অদুবু পীকখ্রবা মণিপুরসিদা অসিগুম্বা নুপীদা চথবা ক্রাইম কয়া থোক্লিঙৈগী চৈরক্তা ক্রাইমশিং অসিবু থোরকহন্দনবগীদমক মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাং (প্রিভেন্টিভ মীজরশিং) লৌখৎকদৌরিবা, থোরক্লগনা লোগী মতুং ইনবা থবকশিং পাঙথোক্কদৌরিবা লো-ইনফোর্সিং এজেন্সীশিংদগী পর্সনেল খরনা ফাওবা নুপীদা ক্রাইমশিং চথরকপা হায়বসিদি লাইবক থীবা থৌদোক ওইবগী মথক্তা খ্বাইদগী শাথীবা থবকনি হায়দুনা লৌদবা য়ারোই। মখূৎতা লো পায়রিবা মীওইশিংনা ফাওবা তমথীরবা ক্রাইমশিংসি চথরক্লগদি নোর্মেল ক্রিমিনেল অমসুং ওফেন্দর অমদদি ইনশিনবা ওইনা থোক্লোইদবগী মরম লৈতে। মরম অসিনা দিসেম্বর ২৩, ২০২২ অমসুং জন্যুৱারী ৫, ৪০২৩গী নুমিদাং অনীদা পল্লেল অমসুং তেরাদা থোকখ্রিবা পুলিসকী ৱায়রলেস ওপরেটর অমনা নোংমৈ কাপ্পদা মৌনহা অমা লৈখিদবা অমদি এএসআই অমনা মৌনহা অমবু ফিভম লুনা শোকহনখিবা থৌদোক অনীমক্কী কেসশিংগী ইনভেষ্টিগেসন অথুবা মতমদা মপূং ফানা পাঙথোক্কদবনি। চেনা পলহল্লোইদবনি। মথৌ তাবা ফোরেন্সিক এক্সপর্টশিংগী ওপিনিয়ন প্রপ-প্রপ লৌদুনা এক্ক্যুজনি হায়রিবা পুলিস পর্সনেল অনীগী মথক্তা চার্জশীট ফ্রেম তৌগদবনি। প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী নীংথিজনা স্ক্রুটিনি তৌরগা ক্রিমিনেল ত্রাইএল কোর্টতা থাগৎলক্তুনা অথুবা ৱায়েল চথবা ঙমহনগদবনি। থৌদোক অনীমক্কী ভিক্তিম অমসুং মখোয়গী ইমুংনসু হৌখ্রবদি হৌখ্রে, লোইখ্রে হায়বরোমদা পূক্নিং পেথরক্তুনা কষ্টমরি লোরোমদা পুশিল্লক্তুনা ক্রাইমশিং অদু মন্তিক্নরোইদবনি। লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোগী মতুংইন্না পীফম থোকপা চৈরাকশিং চপ চানা ফংহন্নবা ৱায়েল চথরকপদা ৱায়েলশঙশিংবু মতেং পাংগদবনি। মসিনা নুপীদা চথবা ক্রাইমশিংগী মশীং হন্থহনবদা চঙবা তঙাইফদবা পোৎলমশিংগী মনুংদা মরু ওইবা অমা শোয়দনা ওইগনি। লৈঙাক্নসু ৱিমেন ইম্পৱারমেন্টগীদমক থবক থৌরম কয়া পায়খৎ-পায়খৎনা নুপীশিংদা চথবা ক্রাইমশিং থোরকপদসু থৌনা ফনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপা চুমগনি হায়নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৭

১) **"করিনা তমসিগে খুদোল/অনৌবা কুম অসিগী,/নাচোম অমদি শেম্লেনে/তখেল্লে শংৱ্রে লৈচন্না/চিগোংলৈ অমত্তংগা থেৎখিগে,/নংগী নাপ্প থন্নবা/হেপ্পি নিয়ু ইয়র।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

২) **"ফাওরকপা ঈথিলদা শেমজিনবা ৱারী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **"চীংনা ঐগী পন্থৌ তম্না ঐগী পলেম"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুর মপানগী অইবা অমনা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিকনি। ওরিজিনেল কনানা ইবা লাইরিক্তগী হন্দোক্লিবা অসিনা কনানো?

৪) **"অরোনবা থম্মোয়গী চিঠি"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **"মমি তাদ্রবা মী"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লমদমসিদা পিক্লিক স্পোটশিং লীংখৎনরকপসিসু ফৈ

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

হৌজিকসি মণিপুরগী চীংনুং-মানুং হায়বা জাৎতু মখৈ অয়াম্বনা পিক্লিক স্পোট মশীং খঙদবা মখৈ শেমগৎনরে। থৌদৌসি মতম্না পুরকপা অনৌবা খোঙচৎ মখল অমনি হায়বা য়াই। হৌজিক্কানদি গাড়ী থৌজিনবা য়াবা লম্বী অমত্তংবু শেম্বা ঙমখ্রবদি চীংনুং-মানুংনি চঙবা হঙ্গোই নৎত্রগা হঙ্গোইদে হায়বগী ৱাখল্লোনশিংদু থোইদোক্না মমি তানদ্রে। মরু ওইনা মণিপুরগী মশীং থিঙমদ্রবা পিক্লিক স্পোটশিংসিদা পিক্লিক চৎনরিবসি ইম্ফাললোমদগী লাকপা মীয়াম্না অয়াম্বসুনি হায়বা য়াই। চাউরাক্লা নবেম্বর-দিসেম্বর থা য়ৌশিল্লকপগী মতম অদুৱাইদগী হৌরকপনা জন্যুৱারী-ফেব্রুৱারী লোন্নরকপা মতম সিৱাইসি ফাওবদনি মণিপুরদা পিক্লিক্কী সিজন ওইরিবা মতমসি অমসুং মণিপুরগী মীওইশিং অয়াম্বনা পিক্লিক চৎনরিবসি। অদুম ওইনমক মশীং হন্থরবসু মণিপুরদা অতৈ মতমশিংদসু পিক্লিক খরা খরদি অদুম্মক চৎনদবা নত্তে। ফেব্রুৱারী থাদসু অদুম্মক পিক্লিক খরদি লাক্লে হায়রি। মণিপুরদা হৌজিক্কানসি পিক্লিক চৎপগী থবকসি হায়ফেৎতি য়াম্না কনখৎলক্লবা জাৎনি। মণিপুরগী মীশিংসি নিংথমথা লাকপসিদা পিক্লিক অমুক'মুক্তা ওইরসু চৎহৌদবা শুকয়া য়াদে হায়বগী মতাগুম, পূক্নিংদা ফাওনবগী হৈনবী অমা চপ চানা লৈনরক্লি। ৱাখল্লোনসি ফরিবরা নৎত্রগা ফত্তবরা হায়বদু চপ চানা হায়বা ঙমদ্রবসু ফরমগনিদি খল্লি। অদুম ওইনমক হীরমসিগী মতাংদা ফবা অমসুং ফত্তবগী মরমদা থোইদোক্লা মিৎয়েংশিং চিংশিল্লুবা তৌদনা শুপ্ন গী মণিপুরগী মীয়ামসিনা পিক্লিক চৎপগী থৌদৌরোমদা ওইনা মায় ওনশিন্নরকপসিদা চম্না পাউদমসি থমজবনি। শেনয়েক অমগী মমায় অনী লৈবগুম, থবক খুদিংমক্কীসু অফবা অমসুং ফত্তবগী মমায় অনীদি অদুমক লৈগনি। অহিং অমসুং নুংথিলগী মতমশিং খায়বগুম, অফবা মমায়দু য়েংলগা চৎপশিংনা ফগনি অমসুং ফত্তবা মমায়শিংদুদা পূক্নিং চিংশিল্লগা চৎপশিংগীনা ফত্তবশিং ওইগনি। পূম্নমকসি মীওইবগী ৱাখল্লোনশিংগী মখা পোনবনি। অমকপা ৱাখল্লোন চেনবশিংনা অমকপরোমদা অদুগা অরংবা ৱাখল্লোন চেনবশিংনা অরংবরোমদা মহয়শিং ফংনরকপা হায়বসি মহৌশানি।



হৌজিক মতমগী মণিপুরগী পিক্লিক স্পোটশিংসি অয়াম্বনা অসুকপা লোকনুং-মানুং ফাওবা য়ৌনা চঙশিন্দুনা য়েংবা য়াবসু ময়াম অমা য়াওনরে। করিগুম্বা কান্দা ইথন্তা চঙশিল্লুবদা কিবা ফাওরকখিবা মফমশিংসু অদুম্মক স্পোটশিংদুদা থেংনদবদি নত্তে। থৌদৌদু, ইতোমতা মফমদুগী সিনরিদুনা চিংদুনা অসুম পুখিবদগী থোক্লকপা থৌদৌ অমনি। নহান নোংমা, ইকুই কুইদ্রিবদা পিক্লিক স্পোট অমগী লোকনুংগী নূঙজাউশিংদুগী মথক্তা খূৎলায় ওইবা য়াবা পোৎশক অমা ফাওবসু লোয়নদনা ইথন্তা লোকনুংদুদা তারিবা নূঙজাউশিংদুগী মথক্তা কান-কান্দুনা মথক্লোমদা অসুম তান্দুনা চঙশিল্লুবদা ইথন্তনা পূক্নিংদা অকিবগী ৱাখল অমা খংফাও ফাওরকখি। অতোপ্পা পোৎশক নৎত্রগা মহৌশাগী ওইবা খোঙচৎনা করিগুম্বা অমা ফাওবা ইশাদা অকিবা থোকহল্লকখিবা লৈতে, তৌইগুম্বসুং ইশা ইতোমতনা থোকহঞ্জখি। থৌদৌদু সিনরি অমসুং সিচুএসন্দুদা খুদক্তুদা মোইরাং কংলৈরোলদা য়াওবা কুঞ্জমালা কৈনা চাখিবগী ৱারীদু পূক্নিংসিদা খংচিং হেক চিংশিল্লুবনা থোকপনি। কুঞ্জমালা কৈনা চাখিবা মফমদু শুম্মাইনা শুকপা মফমসিদা মথন্তা চঙলুবদা থোকখিবনি হায়নৈ হায়বা ৱাখল্লোনসিনা মাঙজিল থাখিবননি। ফীভমদুদা ইথন্তা হন্দোক্লক্কদবা ফাওবা খংতন-তনবা অমা পূক্নিংসিদা ঙাইহাক্তংদুদা ফাওরকখি। মফমদুদা মোবাইল নেটৱার্ককসু অমত্তা ফংলমদে। মিৎকুপ্পুদা থেংথবা চুম্লরোই খন্দুনা ইথন্তা হঙ্গোই-হঙ্গোইনা খুদক্তুদা চেনবোই-চোংবোই অদুম্মক নূঙজাউশিংদুদা নেৎল-নেৎলগা হন্দোক্লকখি। তশেংনমক্কীবুদি থৌদৌদু ঐনা পিক্লিক খোঙচৎকী ৱাংমদা ইথন্তা লামশিন্দুনা লম খরা হেঞ্জিন্না খোঙ থাংজিঞ্জরুবগী মহয়নি। ইতোমতা নাইতোম ওইনা চঙশিল্লুদ্রবুদি থৌদৌদু থোক্লমদবসু য়াই। মদুৱাইদা হান্নদগী তোয়না লৈরকপা মীওইশিং ওইরম্লবদি থোইদোক্লা থোক্লম্লোইদবা অমসুনি। অদুবু, ঐদি তাঞ্জাদুদা ইথন্তসু হেক ওইরুরে। অসিগুম্বা থৌদৌশিংসি হৌজিক্কানগী পিক্লিক স্পোটশিংসিগী মরক্তা খরদদি অদুম্মক থেংনরম্বসু য়াই। মরু ওইনা চীংনুংগী লোকনুংদা শেম্বগুম্বা পিক্লিক স্পোটশিংদদি ঐখোয় ইশাদা পাঙ্গল কনখৎনবা খূৎলায় অমা ফাওবা য়াওবসু নত্তবদা ইথন্তা স্পোট এরিয়াশিংদুদগী পংহেন-হেন্না লাপথোক্লা খক চৎলুবসি ফরোই। স্পোটতুনা চীংনুং-মানুংগী এরিয়াশিংদা শেমগৎপা নৎলমদ্রবদি থোইনসু থোইদোক্লম্লোই। মণিপুরগী মনুংনি হায়রগসু চীংগী অমসুং চীংনুংগী ওইবা মফমশিংদদি লোকনুংনচিংবগী সিনরিশিংসি ঐখোয়না তোয়না উনরবশিং অমসুং থেংনরবশিংসু ওইদে। অদুগী মথক্তসু ইরমদমসিগী ওইবনি হায়বদুদা মহৌশানা অতোপ্পা মফমশিং কয়ামুক্লা ইতোমতগী ৱাখলনা চাংদম্নদুনসু অদুম্মক হেন্না হেন্না চিংশিন্দুনা য়েংনীংলুবা অমসু পূক্নিংসিদা ফাওহল্লি। হীরমশিংসিদা ঐনা লম হেঞ্জরুবা হায়বদু থোকখিবননি। অদুনি 'ইরমদমনিনা' হায়বা ৱাহৈ অমা ঐনা পূম্নমক্কী মাঙদা থমজখ্রিবসি। অদুম্মকপু ঐখোয়গী ইরমদমসিসু মনুং হুৎচিন্না লৈবা মফম খরদদি উরুবদা থোইদোক্লা লায়রম্বা নত্তে হায়বা ৱাফমসিমদি থমজনীংই।

মহৌশাগী নীংথিবা চীং-পাৎ, তুরেলশিং অমদি উমং-ৱামংগী ফজবশিংদা ইশাসি হকচাং পূম্বা লুপশিন্দুনা, চহী অমগী মনুংদা অমুক-অমুক্তা ওইরবসু পূক্নিং-ৱাখল অনীমকসি কম্প্যুটরগী রিফ্রেস তৌবা অদুগুম্না রিফ্রেস তৌথোকপীবা চুমগনি। থৌদৌসি তশেংনমক্কী তঙাইফদবা অমমক্নি হায়নীংই। ৱাফমসিগী ৱাহন্থোকসি তরং-মালংদা তাউদুনা হিংলুবা তাইবঙ-মীওইবা ওইরুবনা ঐখোয়সি হেক হেক কাউথোক্তুনা চৎলি। অদুবু, কনাগুম্বনা নমদুনা হৌবীরকপগুম্বদা প্রোগ্রামসি য়াওরুবদদি অমুক-অমুক হেক হেক ৱাফমসিগী অৱাবা কান্নবশিংদু ময়েক শেংনা নীংশিংবা ঙমহল্লকই। পূক্নিং-ৱাখল অনীমকপু মতৌ অসুম্না অমুক-অমুক শেংদোকপীবসিনা পুন্সিসি তশেং-তশেংনা রিফ্রেস তৌথোকপদা নত্তনা মতম শাংদোক্লা হিংহনবদসু অসুক্কী মতিক মতেং পাংগনি। থৌদৌসি কোরোনাগী লাইচৎনা চহী কয়া নমশিন্দুনা থম্বীরুরবা মতুংদা ইরমসিদা হন্দক্তা অমুক থেংনজরকপনি। য়াম্না নুংঙাই, পুন্সিবু ময়েক শেংনা তেকখৎহনবা ঙম্বা পাম্বৈশিংগী মনুংদগী পিক্লিক পার্টি অমখক চম্না অমসুং ময়েক শেংনা ৱাখল পাংদিং মান্নবা ফেমিলি মশেন পূন্না চৎমিন্নবা ফংবা হায়বসিসু অমনি। পীকচরবসু ইরমদম মণিপুরসিসু হীরমসিদদি তাইবঙপানসিবু শেম্বীরিবা মপুমক্লা তশেং-তশেংনা খুদোল ওইনা তম্বীরম্বা মফম অমদি ওইবা জাৎনি হায়বসি পূক্নিংসিদা ফাওহল্লকই। "উমংগী অকোয়বদা লাম্মৈনা ইকোয় কোয়না চাকশিল্লকপদা উমংদুদা লৈরম্বা শা-উচেক পূম্বদুনা কয়াগী মতিক মথ্বায় ৱাজরমগবা" - নিংথিরবা উমংশিংদা কোয়পাই পাইদুনা শান্নহৌবা অপীকপা উচেক মচাশিংদুনা মরোল শুবোই-শুদবোই নুংশিনা খোঙহৌবা নুংথিল পোবোবতুদা মরক মরক্তা তারকপা থম্মোয় শুমহৎনীংঙাই ওইরবা খোঞ্জেলশিংদুনা অযূক অঙনবদগী হৌনা লাংজরগা নোংমদুগী ওইনা চৎলুবা লমচাক চাবগী প্রোগ্রামদুদা নমদুনা ৱাখল্লোনসি ফাওহল্লকই। সিবু লমচাক চাবগী প্রোগ্রামদু চৎপা য়াওরমদ্রগবু পূক্নিংসিদা ফাওরক্লমখিগদ্রা? প্রোগ্রাম মখলসিসু তশেংনা অফবা অমনি হায়রিসিনি।

ইরমদম মণিপুরসিদা লমচাক চাফম (পিক্লিক মফম) য়াম্না শেমগৎ-শাগৎনরকপসি তশেং-তশেংনা অফবা থৌদৌশিংনি হায়না লৌদবা ঙম্লোই। সহরগী নীল খোংবা খোঞ্জেলশিংদগী তশেংনা লাপ্না নাথৈরগা, চীংনুং মানুং অমদি লোক-তাইশিংগী নিল খোংবা য়াওদ্রবা, নুংশিরবা ঈশিং ঈচেলগী তপ্পবা খোঞ্জেলশিংগী মনাক য়ৌনা পুশিল্লক্লিবা পিক্লিক স্পোট শেমগৎলিবা ইরমদমসিগী ইচিন ইনাওশিংসিবুসু মখোয়গী শেন্দান লম্বেলনি হায়রগসু মখোয়বুসু ঐখোয়না তশেংনা থাগৎনীংঙাইদি ওই। মখোয়না শেমগৎলমদ্রবদি ইরমদম মণিপুরসিগী মনুং হুৎনা লৈখ্রবা নুংশিরবা মফমশিংসি ঙসিগী মীয়ামসিনা মতৌ করম্না ইরায় লায়না কার অমা তোংদুনা চৎলগা য়ৌরুবা ঙম্লমগদৌরি? অদুসু, ফেমিলিগী নৎত্রগা ৱাখল মান্ননা পুনমিন্নবা ইমান্নবা মরুপ-মপাংশিং গ্রুপ অমগা পূন্না। লমদমসিদা কোরোনাগী অৱা চৈথেংশিং কোক্লকপগা ইরোয়ননা মফম চানা পিক্লিক স্পোটশিং শেমগৎলকপসি হন্দক্কী চহীসিদি মতাং য়াম্না চানৈ। অদুগা, তমথীবা কোরোনাগী লাইচৎসিমসু ইরমদমসিদা অমুক হন্না হল্লকহন্দনবা ঐখোয় ময়াম চঙদুনা পূন্না ময়েক শেংনা হোৎনমিন্নহৌরসি। লমদমসিদা পিক্লিক স্পোটশিং শেমগৎনরকপসিসু ফৈ। ●

# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১০

**- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -**

মণিপুর হীরম খুদিংমক্তা তোপ তোপ্পা মফম অমদি কন্দুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। মসিমক হেন্দোক থোইদোক্লা মীয়াম্না তরং তরং খঙন-উনরিবনি। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা লমদমসিদা শেঞ্জা-থুমজা, হাবী-জাবীসু পাউদমফম খঙদনা হায়নীংঙাই লৈতনা তোপ তোপ্পা মফম অমসু নোংম-নোংমগী ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকই। শেঞ্জা থুমজা হায়জ-নোঞ্জদা মমি লৈরবা অপীকপা ষ্টেট অমনি। মসি পূম্নমক হায়নরুবা নাইদনা মীয়াম্না ফজনা খঙনরিবনি। কোংগ্রেসকী শেঞ্জা থুমজা, অচান মীরাই, শঙ্গ-পঙ্গগী লিশাং শিৎনা হৈনরক্লবা মীয়াম ঙসিমকসু প্রজা মীয়াম্না হীরম অদুদগী নাম্থোকপা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈরি। মসিমক পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি।

ঙসিদি কোংগ্রেসকী মতম শাংনা চত্থরক্লিবা খোঙচৎ খুদিংমক খঙনা খঙনা, উনা-উনা নাম্থোকপদি তরাইবা ওইগনি নীংদে ফারুরবা ঈশৈ কাউদবগুম, হৈরুরবা শাজৎ থাদোকপা তরাইবা ওইদে। খুদম ওইনা পঞ্জরবদা য়ু থকপা ফত্তে খঙনরবসু হেক্তা থাদোকপা তরাইবা ওইদে। মসিগী মথক্তা ঙসি ঙসিমক নিশাগী কল্লবা ৱাথোক ফোঙ ফোঙ শানা চত্থরিবসিমক তরাইবা ওইদ্রে। মতম খরগী মমাঙদা পোপী থাবসি মফম খরগী ওইনা খন্নরম্মী অদুবু মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা পোপী থারম্বগী ৱাথোক মথং মথং খঙনরকপসিমক দশা অমনি। দশাসিমক হেক্তা তরাইনা কোকহনবদি তরাইবা ওইররোই। পোপীগী করবারসিমক অচৌ অচৌবা মরী লৈনবশিংগী খূৎ য়াওরম্বগী চিংনবা লৈতবা নত্তে। দ্রগকী করবারসিমক মরী লৈনবশিংগী খূৎ য়াওই হায়না ঙাঙনরকপসিমক তরাই তরাইবা থবক ওইদ্রি। মতম খরগী মমাঙদা ৱাথোক ওইখিবশিং শাংলবা মতমসি নমশিন্দুনা থম্নরিবসি চম্না খন্দোকপা য়াররোই। মতাংসিদা অনৌবা অওনবা অহোংবা অমগী খোঙজং চাউনা লাকখ্রে। মতম শাংনা কোংগ্রেস সাসন লৈরম্বদু মশা মতোমতা নুংশা মঙালদা লেন তুমজবগুম তুম্না মাঙখ্রে। অনৌবা বি জে পিগী সাসন অমা মীয়াম মমাঙদা লৈরে। ঙসিসু বি জে পিগী সাসন অসিনা মীয়াম মমাঙদা ফজ ফজরবা ৱাফম কয়া ঙাঙবদি মীয়াম্না তান্নরি। বি জে পিগী সাসন অসি কদাই ফাওবা মশক থোকপা ঙম্লবগে ? ৱাহং অসি নোংম-নোংমগী খবর কাগজদা মীদিয়াদা ফোঙনরক্লিবশিং তারগা হেন্না হেন্না মীপায়বা পোক্নরক্লি। বি জে পিগী সাসনসিদা করি অহোংবা ফিদম্ননীংঙাই খুদম পুথোকপা ঙম্লবগে? চীংদা চৎলু, খুঙ্গং চৎসিনচিংবা ফজ-ফজরবা প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎনরকপা মীদিয়াদা শন্দোরকপা মীয়াম্না লেপ্তুনা ঙাঙনরি। খুদম ওইনা বি জে পিগী সাসন অসিদা মীয়াম মমাঙদা লম্বী থোং, ঈথৈ লৌখোং খুঙ্গংগী লম্বী শেম্বগী অফবা পাউ করম্বা মফমদা করম্বা চীংগী জ গাশিংদা খুদম পীবা য়াবা লৈরবগে। তশেংনমক বি জে পিগী সাসন অসি মপূংদা চহী মঙাগী সাসন হৌখ্রে।

মমাঙগী সাসন অদু বি জে পি মতোমতগী সাসন নত্তে। মরম অদুনা বি জে পিনা মখল মখাগী পাউখুম পীরক্কনি। অদুবু হন্দক্কী টম অসিদা বি জে পিগী মপূং ফাবা সাসন অমদি লৈরে। মতাংসিদা মীয়াম্না ৱাহং কয়া হংনরক্লি হেন্না হেন্না হংনরকখিনি। মতিক চাবা চাদবদি বি জে পিগী মনুংগী ওইবা থৌশিলনি। ঙসি চত্থরক্লিবা সাসনসিসু কদাই ফাওবা অচুম্বা, অশেংবা, অহোংবা পুরকখ্রবগে? লম্বী থোং, ঈথৈ লৌখোং মসিগী মখাদা স্কুল ফগৎহনসিনচিংবা ফজ ফজরবা প্রোগ্রাম কয়াদি লাউথোরকই। কদাই ফাওবা ওন্থোকপা, ফগৎহনবা ঙম্লবগে খুঙ্গংগী অমদি চীংগী করম্বা জগাদা অওনবা অহোংবা পুবীরক্লবগে? মসিমক নোংমগী লেপ্তুনা মীদিয়াদা লাউরক্লিবশিংনা শাক্খিনি। বি জে পিগী লৈঙাকসি ওন্থোকপা লৈঙাক অমদি ওইরে।

ঙসিদি লৈঙাক অসিনা লালহৌবগী ঈরাং নিংথিজনা ঈংহনবা ঙম্লে হায়নদি মীদিয়াদা শন্দোকই। অদু ওইরবদি মণিপুরী প্রজাশিংনা লেপ্তুনা ঙাঙনরিবা তমথীরবা এক্ট অসি মপূং ফানা লৌথোক্তুনা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা ফজনা পাঙথোকপা য়াদবরা মীয়াম তিনবা মফমদা পংলাও লাওবনদি অচুম্বা অশেংবা লৈঙাক ওইরোই। করম্বা দিপার্টমেন্ট, করম্বা মন্ত্রিনা করম্বা অফবা থবক পায়খৎপীরবগে ময়েক শেংনা খুদোনবীনা থিন্দুনা তাকপা মতম ওইদ্রিবরা। মপূংদা মমাঙগী বি জে পিগী সাসন্দা মপূং ফাবা বি জে পিগী সাসন ওইখিদ্রবসু হন্দক্কী সাসন অসিদদি বি জে পিগী তরং তরংবা সাসন লাকখ্রে। তশেংনমক বি জে পিগী সাসন লাকখ্রবসু অওনবা অহোংবদি ঙসি ফাওবা থবক ওইনা ওন্থোকপদি ঙমদবসি নুংগী ওইবা করম্বা অশোনবনো? ঙসি খুঙ্গংগীদমক ভোট তৌননবা থৌরাং লাক্লে। খুঙ্গংগী লম্বী থোং, ঈথৈ লৌখোং মমাঙদা শেমখিবশিং ঙসি ফাওবা মওং মরীল তাদনা থম্বীরিবশিং সাসন অসি কৃপ্না থিজিনবীদবসিদি করম্বা মখলগী বি জে পিগী সাসননো। মমাঙথক্কী প্রধান, মেম্বরশিংনা মওং মরীল তাদনা থম্বীরম্লিবশিং ভোট মমাঙদা মরী লৈনবশিংনা মপূং ফাবা চেক তৌবীদুনা য়েংশিনবীবা দরকাররনি। হন্দক্কী গ্রাম সভা ভোট চম্না তরাইনা পাঙথোকপা য়াররোই। মমাঙথক্কী মেম্বর, প্রধান অমদি মরী লৈনবশিং খুকউ শেনবগী তাঞ্জা লৈতবা নত্তে। অসিগুম্বা থবকশিংদা বি জে পিগী সাসনসি মতম শাংনা চত্থরবদি মণিপুর অসি শেঞ্জা থুমজাগীদমক গ্রাম সভা লিংখৎপা ওইনা থোক্কনি। মমৈথংদা খুঙ্গংগী মীয়াম মীচম প্রজা মতিক চানা লাইরিক হৈবা হৈতবা মেম্বরশিং খোইচাক ওইনা শীজিন্নবগুম থোক্কনি। মমালোলদা মমিং মথা ফাওবা ইবা হৈতবশিংনা মেম্বর, প্রধান ওইহল্লগা মীচম মীয়ামগী মরল থাংহনবদি দশাসি কনানা তাগনি। মরমদুনা মেম্বর, প্রধান ওইনীংবশিং য়ামদ্রবদা মৈতৈলোল ইবা পাবা ঙম্বা মীশক্লা মেম্বর, প্রধান ওইবগী চপ চাবা থবক থম্মোয় শেংনা বি জে পি লৈঙাক অসিনা থবক পায়খৎপীয়ু।

মরম অদুনা শেঞ্জাউ খরা পায়রগা দ্রগকী করবারদা শেন্দান কয়া তানবা ঙম্বা মীশক্লা মেম্বর, প্রধান ওইহনবদি মণিপুর মাঙহন্নবগী মচাক ওইগনি। হীরম অশোমদা বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা হেন্না ফবা থবক পায়খৎহন্নবা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। দেমোক্রেসিনি হায়দুনা মওং মরীল তাদবা কয়া অসুম চত্থরক্লবদি মণিপুর কনবগী মহুত্তা মূথৎপা ওইনা থোক্কনি। এ বি সী খঙদবা, হিন্দি-ইংলিস অমদি মমালোনবু মওং মরীল তানা ইবা-পাবা থোক্তবশিংনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎপসিদি দশাসি মীয়ামদা লংশিনবগুম থোক্কনি। মরমদুনা অওনবা অহোংবা মণিপুর অমগীদমক আশা তৌমিন্নরসি দেমোক্রেসিগী মায়খুম উপ্পগা মীয়াম মাঙহনবদি দশাসি সাসন পায়রিবশিংনা তাগদ্রা? নৎত্রগা মীয়ামগী পুন্সি কল্লসি হায়রদি অহোংবা থবক খরদি ওন্থোকমিন্নসি।

মসিগী মখা তারকপদা অপাৎপদা হয়িং থাজিনবা ওইনা থোক্কনি। মণিপুরবু মশক থোকপা ষ্টেট অমা ওইহনবদা মখোঙদগী মতোন ফাওবা শেমগৎপা মতম ওইরে। মরম অদুনা হন্দক্কী খুঙ্গংগী প্রধান, মেম্বর, জিলা পরিষদকী ভোট অসিদগী শেমগৎহৌবা হায়বসি মপূংদা য়াম্না দরকাররনি। বি জে পিগী ৱাজাউ ঙাঙবসি তোকপীরো অচুম্বা অশেংবা অওনবা অচুম্বগীদমক থবক ওইনা পায়খৎপীরো। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।